# নেসনল গেমস : মণিপুরনা মিজোরাম থোইদুনা নুপী ফুটবোলগী সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ৫(ঐচএনএস):

গুজরাটনা য়ূম্বু ওইদুনা চথরিবা ৩৬ শুবা নেসনল গেমসকী ঙসি তরেৎনি শুবা নুমিৎতা মণিপুরনা মিজোরামবু মায়থীবা পীদুনা নুপী ফুটবোলগী সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে। অদুগা বোক্সিং মশান্নদসু ষ্টেটকী বোক্সর কোন্থৌজম প্রভিশ চনু ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

হৌজিক ফাওবদা মণিপুরনা সাইক্লিং মশান্নদা গোল্ড ৫, সিলভর ২, ব্রোঞ্জ ২; ৱেথলিফটিং মশান্নদা গোল্ড ৩, সিলভর ১, ব্রোঞ্জ ১; আর্চরিদা গোল্ড ২, সিলভর ১, ব্রোঞ্জ১; ফেন্সিংদা গোল্ড ১, সিলভর ১, ব্রোঞ্জ ৪; রোৱিংদা গোল্ড ১, ব্রোঞ্জ ১; রোল্লর স্পোর্টসতা গোল্ড ১; রেষ্টলিং অমদি জিম্নাষ্টিক্স মশান্নদা ব্রোঞ্জ অমমম্ পূন্না গোল্ড ১৩, সিলভর ৫ অমদি ব্রোঞ্জ ১১ ফংদুনা মেদল টেল্লিগী ৬শুবা মফমদা লৈরি।

অহমেদবাদকী সাহিবাঘ পুলিস ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা নুপী ফুটবোলগী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা মণিপুরনা মিজোরামবু লাকচনা ৫-০দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

ঙাঙোমবালানা শান্নবা হৌরকপগী ৭শুবা মিনটতা ষ্টেট টিমগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। প্রমেশ্বরীনা শান্নবগী ১২ শুবা মিনটতা মণিপুরগী ২শুবা গোল চনখি। মহাক্না মখা তানা শান্নবগী ২৩ শুবা মিনটতা মহাক্কী অনীশুবা অমদি ষ্টেট টিমগী ৩শুবা গোল চনবা ঙমখি।

গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা রোজানা শান্নবগী ২৫ শুবা মিনটতা গোল ১গা হাপচিনবা ঙমখি। অহানবা হাফ লোইরমদাই শান্নবগী ৪৫ শুবা মিনটতা পাকপীনা মণিপুরগী গোল ১গা হাপচিন্দুনা মিজোরামবু ৫-০দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

মখা তাবা টিম অনীনা অনীশুবা হাফকী শান্নবদা গোল হাপচিনবা ঙম্ন দবদগী মণিপুরনা মিজোরামবু ৫-০দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা, গান্ধীনগরগী মহাত্মা মন্দির এগজিবিসন হোল নম্বর ৩দা ঙসি শান্নখিবা বোক্সিং মশান্নগী নুপীগী কেজি ৫৭-৬০গী কাঙলূপ্তা ষ্টেটকী বোক্সর কোন্থৌজম প্রভিশ চনুনা চান্দিগরগী রিতুবু মায়থীবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

| National Games 2022 medal tally (as on Oct. 4) | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|
| Rank | State/Union Territory/Team | Gold | Silver | Bronze | Total |
| 1 | Services | 39 | 24 | 23 | 86 |
| 2 | Haryana | 24 | 22 | 19 | 65 |
| 3 | Maharashtra | 20 | 17 | 35 | 72 |
| 4 | Uttar Pradesh | 18 | 13 | 9 | 40 |
| 5 | Tamil Nadu | 14 | 14 | 16 | 44 |
| 6 | Manipur | 13 | 5 | 11 | 29 |
| 7 | Punjab | 12 | 20 | 16 | 48 |
| 8 | Karnataka | 11 | 12 | 21 | 44 |
| 9 | West Bengal | 11 | 9 | 12 | 32 |
| 10 | Kerala | 10 | 15 | 6 | 31 |

## ফিফা ৱর্ল্ড কপ কটার ২০২২

# কোচ গেরার্দো মার্টিনোগী মখাদা মেক্সিকোনা অঙকপা কয়া উৎনবা শেম শাখ্রে



মেক্সিকোগী হেদ কোচ গেরার্দো মার্টিনো

### নুমিৎ ৪৫নিগী মতুংদা মীয়ামগী খোইরাংবা কোক্লগনি

কোচ গেরার্দো মার্টিনোনা মহাক্কী টিমনা মেগা স্পোর্টস ইভেন্ট অসিদা অঙকপা কয়া উৎলক্কনি হায়না চেৎনা থাজবা থমদুনা মেক্সিকোনা চহী ৩৬ হেন্না ঙাইরক্লবা ফিফা ৱর্ল্ড কপকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা হায়বা পান্দমগা লোয়নন্না কটারগীদমক শেম শাবা লোইখ্রে।

মেক্সিকোনা ১৯৮৬তগী হৌনা ৱর্ল্ড কপকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমদনা লাকখি অমদি ইটলি ১৯৯০ ক্বালিফাই ওইখিদ্রবা মতুং থংন-থংননা তরেৎলক অহানবা নোকআউট রাউন্দদা লৈহৌখিবনি। মসিগী মনুংদা অরোইবা মায়থীখিবনা ব্রাজিলগী মখূৎতা রসিয়া ২০১৮না ওইরি।

মেক্সিকোনা কটার য়ৌরকপগী লম্বী অসিদা অয়েৎ-অপন কয়া থেংনদুনা অরাইবা অমা ওইখিদে। অদুবু গেরার্দো মার্টিনোগী সাইদনা কেনাদাগী মতুং অনীশুবদা লৈদুনা ক্বালিফাই ওইরকখিবনি।

মার্টিনোনা মহাক্কী হৈনজবী ৪-৩-৩ ফোর্মেসনদা শান্ননবা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা মহাক্কী শান্নরোয়শিংগা নীংথিনা শেম শাবা লোইখ্রে।

কটার মেগা স্পোর্টস ইভেন্ট অসিদা মঙারকশুবা অমদি অরোইবা ওইনা শরুক য়াগদৌরিবা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা মেক্সিকান ক্লব অমেরিকাগী গোলকিপর গুইলর্মো ওচোনা মহাক্কী লৈবাকপু অচৌবা ষ্টেজতা থাঙ্গৎনবা হোৎনগদৌরি।

ওচোগুম্না মঙারকশুবা ওইনা ৱর্ল্ড কপ শরুক য়াগদৌরিবা ময়াম্না "এল প্রিসিপিটো" (লিট্টল প্রিন্স) হায়রগসু খঙনবা তোপ-তোপ্পা ক্রিএটিভ ওইবা ফজবা পর্ফোর্মেন্স পীরিবা এন্দ্রেস গর্দাদোসু মহাক্কী লৈবাক্কীদমক মায় পাক্লা কেম্প্যেন চঙশিনবা ঙম্নবা হোৎনগদৌরি।

মেক্সিকোগী গোল য়াম্না চনগনবা ৱোলভরহেমটন ৱান্দরর্সকী ফোরৱার্দ ওইনা শান্নরিবা রাউল জেমিনেজ সু মহাক্কী অহুমশুবা ৱর্ল্ড কপকীদমক পূম্নমক শেম শাদুনা লৈখ্রে। অদুবু মহাক ২০২০গী নভেম্বরদা প্রেমিয়র লীগকী অর্সনেলগা শান্নখিবা মেটচ অমদা দেভিদ লুইসকা মকোক য়ৈশিন্নদুনা শোক্তুনা মতম কুইনা লৈরুরবা মতুং ফগৎলক্তুনা মহাক্না কটার ২০২২ অসিগী ক্বালিফায়িং কম্পিটিসনদা গোল ৩ চনবা ঙমখিবনি।

মেক্সিকো লাইন অপকী ফর্ষ্ট চোইস ওইরিবা মথৌনা লৈবা অমদি তোপ-তোপ্পা পাসিং এক্যুরেসি য়াম্না ৱাংবা মীয়াম্না "চক্কি" হায়রগসু খঙনবা হর্ভিং লোজানো অমদি হৌখিবা চহী খরা অসিদা মেক্সিকোগী বর্সেটাইল মিদফিল্ডর ওইরিবা মীয়াম্না "দি মেছিন" হায়রগসু খঙনবা এদসন অলভারেজ সু লাক্কদৌরিবা কটার মেগা স্পোর্টস ইভেন্ট অসিদা মখোয়গী হৈথোই-শিংথোইরবশিং উথোকপা ঙম্নবা হোৎনগদৌরি।

### কটার ২০২২দা মরুওইবা থৌদাং লৌগদৌরিবা মেক্সিকোগী শান্নরোয় ৫



গুইলর্মো ওচো (গোলকিপর)



এন্দ্রেস গর্দাদো (মিদফিল্ডর)



রাউল জিমিনেজ (ফোরৱার্দ)



হর্ভিং লোজানো (ফোরৱার্দ)



এদসন অলভারেজ (মিদফিল্ডর)

| Date | Match Details (Grp-C) | Venue |
|---|---|---|
| November 22 | Mexico vs Poland | Stadium 974 |
| November 26 | Mexico vs Argentina | Lusail Iconic Stadium |
| November 30 | Mexico vs Saudi Arabia | Lusail Iconic Stadium |

## নেসনল সব-জুনিয়র সেপাক টাক্রো

# মণিপুরনা নুপীগী টিম ইভেন্টকী ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ৫(ঐচএনএস):

কর্নাটাকানা য়ূম্বু ওইদুনা চথরকপা ২৫শুবা সব-জুনিয়র নেসনল সেপাক টাক্রো চেম্পিয়নশিপকী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী টিম ইভেন্টকী ফাইনেলদা মণিপুরনা কেরলাবু ২-১দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

নুপাগী ফাইনেলদা মণিপুরনা বিহারগী মখূৎতা ১-২দা মায়থীহৌদুনা রন্নর্স অপ তাহৌরে।

নুপীগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলদা মণিপুরনা কেরলাবু সেট ২-১দা মায়থীবা পীখি। অহানবা রেগু ইভেন্টতা কেরলানা মণিপুরবু ২-১ (৯-২১, ২১-১৫, ২১-১৮)দা মায়থীবা পীখি। অনীশুবা রেগু ইভেন্টতা মণিপুরনা কেরলাবু ২-০ (২১-১০, ২১-১৪)দা মায়থীবা পীখি।

টিম অনীনা সেট অমমম্ কানরবা মতুং অহুমশুবা রেগুগী শান্নবদা মণিপুরনা কেরলাবু ২-০ (২১-১২, ২১-১৭)দা মায়থীবা পীরম্লগা ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি।

নুপাগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলদা মণিপুরনা বিহারগী মখূৎতা সেট ১-২দা মায়থীদুনা রন্নর্স অপ তাহৌখি।

অহানবা রেগুদা মণিপুরনা বিহারবু ২-১ (২১-১৫, ১৬-২১, ২১-১৫)দা মায়থীবা পীখি। মখা তাবা অনীশুবা অমদি অহুমশুবা রেগুদা বিহারনা মণিপুরবু ২-০ (২১-৮, ২১-১২) অমদি ২-১ (১৪-২১, ২১-১৯, ২১-১৫)দা মায়থীবা পীরমখিবনি।

## অনীশুবা অম্ফা কপ

# এফ সী লমজাও অমদি ক্লাসিক ফুটবোল একাদেমি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৫(ঐচএনএস):

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা চথরিবা অনীশুবা অম্ফা কপকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অনীদা এফ সী লমজাও অমদি ক্লাসিক ফুটবোল একাদেমি মায় পাকখ্রে।

আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা এফ সী লমজাওনা য়ুনাইটেদ ব্রদর্স ফুটবোল ক্লব (য়ু বি এফ সী)বু ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

নিংঙোম্বম হেনরিনা শান্নবগী ৩০ শুবা মিনটতা লমজাও টিমগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। ইরেংবম প্রিয়োবর্তা মীতৈনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৭৩ শুবা মিনটতা লমজাওগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। অদুগা মেটচ লোইরমদাই এম দি ফরিদনা শান্নবগী ৮৮ শুবা মিনটতা এফ সী লমজাওগী মায় পাকপগী অহুমশুবা গোল চনবা ঙমখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরি কাংজম অমিটকুমার মৈতৈনা লমজাওগী কেপ্টেন অরুনকুমার অমদি বিপিনচন্দ্র য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা ক্লাসিক ফুটবোল একাদেমিনা জে সোংতুন য়ুথ ক্লবপু লাকচনা ৬-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ক্লাসিক একাদেমিগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু সর্টো ৱোরনৈলেন কোমনা শান্নবা হৌরকপগী ২শুবা অমদি ১৪শুবা মিনটতা গোল ২ অদুগা সোরোখাইবম রোবর্ট, গানিঙম মলাংমৈ, হাওবম তোম্বা অমদি নিংথৌখোংজম রোহেননা শান্নবগী ২৭, ৭০, ৮৩ অমদি ৮৮ শুবা মিনটতা গোল অমমম্ চনবা ঙমখি।

## মাইপাকপী মেমোরিএল ট্রোফি

# হৈরোক এফ সীনা য়াইরিপোক্কা ফাইনেলদা থেংনরগনি



ইম্ফাল, ওক্টোবর ৫(ঐচএনএস):

মঙাল ফাউন্দেসন হৈরোকনা শীন্দুনা সিটি ক্লব গ্রাউন্দদা চথরিবা অহানবা মাইপাকপী নীংশিং ট্রোফি ষ্টেট ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা হৈরোক এফ সীনা ব্রদর্স এফ সী ক্বাকৈথেলবু ৪-০দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

মায় পাকখিবা হৈরোক এফ সীনা য়াইরিপোক এফ সীগা ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

হৈরোক এফসী অমদি ব্রদর্স এফসী অনীনা শান্নখিবা মেটচতা কবিরাজনা শান্নবা হৌরকপগী ৮শুবা মিনটতা হৈরোক্কী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। এল রোশননা শান্নবগী ১৬ অমদি ৫২ শুবা মিনটতা হৈরোক্কী ২শুবা অমদি মায় পাকপগী ৪শুবা গোল চনবা ঙমখি। জোন্সননা শান্নবগী ৪২ শুবা মিনটতা হৈরোক্কী অহুমশুবা গোল চনখি।

ঙসিগী মেটচকী মনুং চন্না মাইপাকপী মেমোরিএল ট্রোফিগী থিম সোং শৈশকপা রাজ এলাংবম অমদি কাজল লাইশ্রম, রেদি য়ুম্নামনা শৈরাংবা অমদি কিম ইরোমনা শৈরেংবা ঈশৈসু মীয়ামদা রিলিজ তৌখি।

# থাঙ-তাগী ওফিসল তরুক হোজাইগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ৫(ঐচএনএস):

অসাম থাঙ-তা এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা হোজাই দিষ্ট্রিক্ট থাঙ-তা এসোসিএসননা শীন্দুনা থা অসিগী ৭তগী ৯ ফাওবা হোজাইদা লৈরিবা মণিপুর সাহিত্য পরিষদ ভবনদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৬শুবা অসাম ষ্টেট থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপতা টেক্নিকেল সপোর্ট পীনবা থাঙ-তা ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী টেক্নিকেল চ্যেরমেন হুইদ্রোম প্রেমকুমারগা লোয়নন্না ফেদরেসনগী টেক্নিকেল ওফিসল মঙা ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

অতোপ্পা ওফিসলশিং অদুদি হৈগ্রুজম চা বাবু, সগোলশেম শ্যামানন্দ, লৈথাংবম চন্দ্রমণি, ওক্রম বোবী অমদি য়ুম্নাম খাগেম্বনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা অসামগী তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টতগী লাকপা থাঙ-তাগী শান্নরোয় কয়ানা শরুক য়াগদৌরি।

## এ দি সী চান্দেল ট্রোফি ফর্ষ্ট এন্দ সেকেন্দ দিভিজন লীগ

# ফমতুংঙমগী হেটট্রিকনা লম্বুং ক্লব মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৫(ঐচএনএস):

ফমতুংঙমনা চনখিবা গোল ৩গী মতেংনা লাম্বুং য়ুথ কলচরেল ক্লবনা খোংজোন য়ুথ ক্লবপু ৩-২দা চথরিবা এ দি সী চান্দেল ট্রোফি ফর্ষ্ট দিভিজন লীগকী ঙসি লিৱা সরৈ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা মায়থীবা পীখ্রে।

ফমতুংঙমগী অহানবা গোল অদুনা শান্নবগী ১৮ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। মহাক্কী অনীশুবা অমদি হেটট্রিক গোল অদুনা শান্নবগী ২৮ অমদি মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা চনখিবনি। খোংজোনগী গোল অনী অদুনা কেনফাসানা শান্নবগী ৮ অমদি ৯ শুবা মিনটতা চনখি।

অতোপ্পা চপ মান্নবা গ্রুপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা জাইওন্টলাং সিন্সরিটি য়ুথ ক্লব অমদি চান্দেল খুল্লেন য়ুথ ক্লব ৪-৪দা দ্রো ওইখ্রে।

জাইওন্টলাংগী গোলশিং অদুনা দার্খুক, মালকুং, সেম্যুএল অমদি সালেমথাংনা চনখি। চান্দেল খুল্লেনগী গোলশিং অদুনা আর্সননা অনী অমদি কোৱরসিং অমদি থাংথানা অমমম্ চনখি।

অমরোমদা, জাইওন্টলাং গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা সেকেন্দ দিভিজন লীগকী গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা রিভরলেন্দ য়ুথ ক্লবনা চরাংচিং খুল্লেন এফ সীবু টাই ব্রেকতা ৪-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

অতোপ্পা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা ফুনচুং য়ুথ ক্লবনা মোর্নিং ষ্টার য়ুথ ক্লবপু ১-০দা মায়থীবা পীখি। ফুনচুংগী মায় পাকপগী গোল অদু আর্মরিংনা চনখিবনি।

## ইতোমচা ফর্ষ্ট দিভিজন লীগ

# টি ৱাই দি এ অমদি ক্লাসা এফ সী দ্রো ওইখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ৫(ঐচএনএস):

দি এস এ বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা অহানবা এল ইতোমচা ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা টি ৱাই দি এ তৌবুল অমদি ক্লাসা এফ সী কৈনৌ ২-২দা দ্রো ওইখ্রে।

তৌবুলগী গোল অনী অদুনা কে রোহিট অমদি দব্লিয়ু জেমসনা শান্নবগী ২৬ অমদি ৩২ শুবা মিনটতা চনখি। কৈনৌগী গোলশিং অদুনা জপুইলুর অমদি লুনখোপাওনা শান্নবগী ৭ অমদি ১৮ শুবা মিনটতা চনখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এল ৱাই এল এল লৈমরামনা কে ৱাই ভি ও ক্বাসিফাইবু ২-১দা মায়থীবা পীখি।

ঙম্নেলেন অমদি এস থোমাসনা শান্নবগী ৪৯ অমদি ৭০শুবা মিনটতা লৈমরামগী মায় পাকপগী গোল অনী অদু চনবা ঙমখি। ক্বাসিফাইগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা ইরোম সন্তোশনা শান্নবগী ১৩ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

# যোগ শান্নরোয়শিং তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৫(ঐচএনএস):

মণিপুর যোগসনা স্পোর্টস এসোসিএসননা শীন্দুনা হন্দক্তা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোকখিবা ৩শুবা ষ্টেট লেভেল যোগসনা চেম্পিয়নশিপতা ইম্ফাল ইষ্ট রিপ্রজেন্ট তৌদুনা মেদল ফংলকখ্রবা অমদি শরুক য়াখিবা শান্নরোয়শিং ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট যোগসনা স্পোর্টস এসোসিএসন অমদি সোসল ৱেলফ্যের কম্মিটি থোংজু পার্ট-২ ফৈজালৈতোংনা শীন্দুনা এস দব্লিয়ু এফ সীগী শঙলেন্দা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা ইম্ফাল ইষ্ট টিমনা গোল্ড ১৩, সিলভর ১০, ব্রোঞ্জ ২ পূন্না মেদল ২৫ ফংদুনা টিম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি। ওকপগী থৌরম অদুদা বাশিখোংগী জিল্লা পরিষদ যসোবন্ত চিরোমনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা শরুক য়াখি।

# খেলো ইন্দিয়া ষ্টেট লীগকী ওফিসলশিং লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৫(ঐচএনএস):

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা লম্লোংথোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা থা অসিগী ৭তগী হৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা খেলো ইন্দিয়া ষ্টেট লীগ ফোর অন্দর-১৭ গর্লস ২০২২-২৩গী মেটচ ওফিসল ২৮ খনখ্রে হায়না অস্ফাগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি এল নবানা খঙহল্লক্লি।

ওফিসলশিং অদুদি মেটচ কম্মিস্নর ওইনা সী ঐচ ওমিলা চনু, থারচুং চারা অমদি এস জেমসকুমার অদুগা রেফরি এসেসর ওইনা সী ঐচ কৈল্যানী চনু, আই তরুনকুমার অমদি আই রবিচন্দ্রনি। মখা তানা রেফরি ২২ অমসু মেটচ ওফিসল ওইনা খনখি।

# ষ্টেট ক্রিকেট টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৫(ঐচএনএস):

উত্তরখন্দগী ধেহরাদুনদা থা অসিগী ৭তগী হৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা বিনোদ মনকদ ট্রোফি অন্দর-১৯ মেন্স ক্রিকেট টুর্নামেন্টতা শরুক য়াগদবা মেনেজর লাইশ্রম নাওবীনা লুচিংবা মীওই ২০না শাবা মণিপুর টিম লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

সপোর্ট ষ্টাফশিং অদুনা য়াস্পাল সিংহ (কোচ), ইরেংবম ইবোবী (এসিষ্টেন্ট কোচ), ক্ষেত্রিময়ুম মিলিকান্ত (ফিজিও) অমদি তোইজম বিকেনসন (ট্রেনর)নি।

শান্নরোয়শিং অদুনা এম দি সমির, এম দি ইমরান খান, সায়দ হুসেন, সঞ্জেনবম সোমোকান্ত, নাওসেকপম মালেমঙানবা, ফৈরোইজম জোদিশ, উলেনয়াই খ্বাইরাকপম, লাইরেঞ্জম অন্স, দার্জি লাইশ্রম, হৈস্নাম মনিকান্ত, অজিজ মির্জা, এম দি অকিল অহমদ ফুন্দ্রেমযুম, খুন্দ্রাকপম পুন্সিবা, কোংব্রাইলাৎপম কল্যান অমদি কদমজিৎ মোইরাংথেমনি।

# রোৱিংগী ট্রায়ল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৫(ঐচএনএস):

ইষ্টর্ন কম্মান্দ এক্বাটিক নোদ, উমিয়াম মেঘলায়ানা শীন্দুনা নভেম্বর ২দগী ৫ ফাওবা শিল্লোংদা পাঙথোক্কদৌরিবা দি রাইজিং সন ৱাটর ফেষ্টতা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌনবগী ট্রায়ল সেলেক্সন অমা থা অসিগী ১০গী নুংথিল পুং ২দগী হৌদুনা খুমন লম্পাক রোৱিং কেনেলদা পাঙথোক্লগনি হায়না ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট রোৱিং এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এল ওদিটনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি। শরুক য়ানিংবা ষ্টেটকী রোৱরশিংনা এসোসিএসনগী সেক্রেটরিদগী ট্রায়ল ফোর্ম লৌরনবা খঙহল্লক্লি।

# চীফ মিনিষ্টরনা চৈরাও চীং অমদি মার্জিং পোলো কমপ্লেক্সতা জিম হাংদোকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ৫(ঐচএনএস):


চীফ মিনিষ্টর ইন্দিজিনস মার্সিএল আর্টস একাদেমিগী শেন্থং মখাদা মণিপুর লৈঙাক্না খূৎশম্নদুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী থাংমৈবন্দ চৈরাও চীংদা অমদি ইম্ফাল ইষ্টকী হৈঙাংগী মার্জিং পোলো কমপ্লেক্সতা শেমগৎপা জিম অনী ঙসি চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ইনোগ্যুরেট তৌদুনা মীয়ামদা খূৎশিন্নখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরনা চৈরাও চীংদা নৌনা শেমগৎপা জিমগী ইক্বিপমেন্টশিং অমদি মেছিন অপেনবা পোকপগা লোয়নন্না ইম্ফাল ৱেষ্টকী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিসতা শকখঙদবশিংনা জিমগী ইক্বিপমেন্টশিং হুরান-চিন্থি তৌবা ঙমদনবা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং ঙাকহন্নবা ইন্সট্রক্সন পীখি।

থৌরম অদুদা থাংমৈবন্দগী এম এল এ খুমুকচম জয়কিষন, চীফ সেক্রেটরি ডা. রাজেশ কুমার, এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি ভি ভুমলুনমাং অমদি টুরিজম দিরেক্টর দব্লিয়ু ইবোহলসু শরুক য়াখি।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা, মার্জিং পোলো কমপ্লেক্সতা হাংদোকপা জিমসু ইনোগ্যুরেট তৌরবা মতুং কমপ্লেক্স অদুদা শগোল কাংজৈগী শেমগৎ-শাগৎলিবা মীতম য়েংশিনখি। শেমগৎ-শাগৎপগী থবক তৌরিবা কনসর্ন ইঞ্জিনীয়র অমদি কন্ট্রেক্টরশিংদা চহী অসিগী নভেম্বরগী অহানবা চয়োল ফাওবগী মনুংদা লোইশিন্নবা ইন্সট্রক্সনসু পীরমখি।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



## PUZZLE NO. 593

**Martin Hofmann - Reinhold Kreutzkamp (2250)**
**BL2-West 8687 Germany, 1986**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.c4 c6 | 2.Nc3 d5 | 3.d4 Nf6 | 4.e3 g6 |
| 5.Nf3 Bg7 | 6.Bd3 O-O | 7.O-O Bg4 | 8.h3 Bxf3 |
| 9.Qxf3 e6 | 10.Rd1 Nbd7 | 11.cxd5 exd5 | 12.b3 Re8 |
| 13.Bb2 Qe7 | 14.Rac1 Rad8 | 15.Qe2 Nb6 | 16.Nb1 Ne4 |
| 17.Ba3 Qe6 | 18.Nd2 f5 | 19.Nf3 h6 | 20.Ne5 Nd7 |
| 21.f4 Kh7 | 22.Kh2 Rg8 | 23.Bb2 g5 | 24.Bxe4 fxe4 |
| 25.Qg4 Qxg4 | 26.hxg4 gxf4 | 27.exf4 Bxe5 | 28.dxe5 Rxg4 |
| 29.e6 Nb6 | 30.f5 Re8 | 31.Bd4 Nc8 | 32.Rf1 Nd6 |
| 33.Be5 Nxf5 | 34.Rxf5 Rxe6 | 35.Rcf1 e3 | 36.Rf7+ Kg6 |
| 37. ... | | | |

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 592 Ans. :**

22. ...Rh5+ The black rook decoys White's king. The black rook deflects White's king away from protecting the square h3. 23. Kxh5 Qh3+ 24. Kg5 h6+ 25. Kf4 g5+ 26. Ke5 Qe6#
0-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com